### প্রধান ট্রোফি মেন্স ওপন ফুটবোল লোইশিনখ্রে

# মরুপ এফ সীনা থংননা অহুম্লক ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৩০(ঐচএনএস):

হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লব (ঐচৱাই পি সী)না শীন্দুনা চথরকপা প্রধান ট্রোফি ৬শুবা ষ্টেট লেভেল ৯-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরূ নোংশাবা শান্নবুংদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা মরুপ এফ সী হৈরোকনা ৱিন্নর অদুগা ব্রদর্স এফ সী ক্কাকৈথেলনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

মরুপ এফ সী হৈরোকনা ঙসিগী চেম্পিয়ন অসি থারগা টুর্নামেন্ট অসিদা থংননা অহুম্লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ব্রদর্স এফ সীগী অপু গোলমৈনা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখি। মহাক্লা টুর্নামেন্ট অসিদা গোল ৫ চনশিন্দুনা তোপ স্কোররগী মনাসু ফংবা ঙমখি। ৱিন্নর ওইখিবা মরুপ এফ সীগী গোলকিপর নোংপোকঙানবনা বেষ্ট গোলকিপর অমদি থোইবনা বেষ্ট দিফেন্দরগী মনাশিং ফংখি।

মরুপ এফ সী অমদি ব্রদর্স এফ সী অনীনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমুক অনীরকফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্ন দবদগী অরেম্বা তাখিবগা লোয়ননা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ শিতলনা শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা হৈরোক টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ব্রদর্স এফ সীগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কোচনা একোন অমদি লিস্থোইদাক্লবা কোচনা একোন অমদি লিস্থোই অনীবু শিন্দোক্তুনা সুরজ অমদি তোম্বা চঙহনখি। অদুবু অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী মরুপ এফ সী হৈরোকনা ব্রদর্স এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ এদ্যুকেসনগী দিন প্রো. টি ইনাওবীনা ফোঙদোকখিবদা, শান্নরোয়শিংনা শান্নবগী পর্ফোর্মেন্স ফগৎনবা দাইমেন্সন অহুম খঙদবা য়াদে। অহানবদা শান্নরোয়শিংনা পর্ফোর্ম তৌবদা মশাবু খঙজবা, অনীশুবদা পর্ফোর্মেন্স ইন এক্সন অমদি অহুমশুবদা পর্ফোর্মেন্স ইন সোসল সেট্টিং হায়বা হীরম অহুম অসি খঙবা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা শান্নরোয়শিং অয়াম্বনা ষ্টার প্লেয়র ওইবা পাম্মী। মসিমক্লসু শান্নরিবনি। শান্নরোয়শিংনা ষ্টার প্লেয়র অমা ওইনবা মহাক্কী লৈজরিবা পর্ফোর্মেন্স, ফিটনেস অমদি তৌবা ঙম্বগী কেপাসিটি খঙবসু য়াম্নমক মথৌ তাই। হৌজিক্কী মতমদা কম্পিটিসনগী লেভেল য়াম্না ৱাংখৎলকপনা শান্নরোয়শিংনা শান্নরিবনি হায়দুনা ইচম চম্না শান্নবদি য়াররোই।

য়ুরোপতা ১৮৬০-৭০গী মতমদগী অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্লবা পেরেন্ট আইদেন্টিফিকেসন তৌবা হৌখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াদদি ১৯৮৪গী মতম শ্বায়দগী হৌখি। মতম অদুদদি দাইমেন্সন অমখক্তদগী তৌনরম্মী অদুবু হৌজিক্কী মতমদা অফবা শান্নরোয়শিং পুথোকপা ঙম্নবা দাইমেন্সন অহুম্মক নীংথিনা খঙবা অমদি পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা অথোইবা মীথুংলেন, ময়াং ইম্ফালগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা থৌরম মপু অদুগা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গো, কুম্বীগী এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্র, উচিৱাগী প্রধান হৈক্রুজম ইন্দ্রজিৎ, লফুপাৎ তেরা কোম্লাখোংগী প্রধান নিংথৌজম বসন্ত, সেকমাইজিন ফৌবাকচাওগী প্রধান ওইনাম পেপিলিয়ন, শামুশঙ বিত্র উরোকখোংগী প্রধান সোমেন মোইরাংচা, হয়েল হঙ্গুলগী প্রধান এম দি সিকন্দর অলি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ এদ্যুকেসনগী দিন প্রো. টি ইনাওবী, সোসল ৱর্কর ময়েংবম গ্যানেন্দ্রো অমদি লাইশ্রম কুঞ্জকেশ্বরনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুকয়াখিবগা লোয়ননা ৱিন্নর ওইখিবা মরুপ এফ সীদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লাখ ১গী শেলগী মনা অদুগা রন্নর্স অপ তাখিবা ব্রদর্স এফ সীদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫০গী শেলগী মনা খুৎশিন্নখি।

### কর্নেল সী কে নায়ুদু ট্রোফি ২০২২-২৩

# মণিপুরনা অসামদগী রন ২৮৯ শোখনা চৎলি




ইম্ফাল,জান্যুৱারী৩০(ঐচএনএস):

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না শীন্দুনা অসামগী তিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন গ্রাউন্দদা চথরিবা কর্নেল সী কে নায়ুদু ট্রোফি ২০২২-২৩গী মণিপুর অমদি অসাম অনীনা শান্নরিবা মেটচকী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা অসামদগী রন ২৮৯ শোখনা চৎলি।

অসামনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ১১২.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ৪৫৪ লৌবা ঙমখ্রে। অসামগী বেটসমেন প্রভেশ মুসারফনা বোল ২৮৩দা রন ১৩১, কেপ্টেন সাহিল জেননা বোল ৯৯দা রন ৭৭, ৱিকেটকিপর ইরিক রোইনা বোল ৮৯দা রন ৬০, অমলানজ্যোটি দাসনা বোল ২৫দা থুনা-য়াঙনা রন ৪৬ অমদি নিভির দেকানা বোল ৮৮দা রন ৪৪ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা মণিপুরগী বোলর কিরন লাইশ্রমনা ওভর ৩৩ অমদি সন্তোশ কেঐচনা ওভর ২২.২ লংবদা ৱিকেট ৪/৪ লৌবা ঙমখি। সুরজ খারিবমনা ওভর ১৬ অদুগা বিদাসনা ওভর ১৮ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

ঙসিনীনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরগী অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৬৭তা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬৫ লৌদুনা রন ২৮৯ শোখনা চৎলি।

ষ্টেটকী বেটসমেন অল বাসিটনা বোল ১৫৭তা রন ৯১, টি ঐচ অনন্দনা আউট ওইদনা বোল ১৪৮দা রন ৩৭, ৱিকেটকিপর এন জি জেমসননা বোল ৩৭তা রন ১৫ অমদি সন্তোশ কেঐচনা বোল ২০দা রন ১৪ লৌবা ঙমখ্রে।

মণিপুরগী অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংগী লেমহৌরিবা শরুক লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মখা চথরগনি।

### ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

# ৱাই দল্লিয়ু এ অমদি সনা এফ সী সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী৩০(ঐচএনএস):

হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লবনা হাওরৈবী অপূনবা এফ সীগা খূৎশম্ননা শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজেবুংদা চথরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহৌবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা ৱাই দল্লিয়ু এ ৱাঙ্গৈই অমদি সনা এফ সী থৌবাল সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাই দল্লিয়ু এ ৱাঙ্গৈইনা ৱাইদিসী ক্যামগৈবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা রোহিটনা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা ৱাঙ্গৈই টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা নিটিশনা শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।



মেটচ অসিদা রেফরিনা অহানবা গোল চনখিবা রোহিট অমদি ৱাই দি সীগী রোশন খানবু শান্নবগী ২৮ অমদি ১৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সনা এফ সী থৌবালনা ওল ষ্টার ক্যামগৈবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

সনা এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু শিতলজিৎ অমদি দেরিলনা শান্নবগী ৯ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা মায় পাকখিবা সনা এফ সীগী রোহিট, দোনাল্ডো, রাহুল অমদি নিকেশ শান্নবগী ৪৫, ৪৮, ৫৪ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা অদুগা ওল ষ্টারগী রোশন শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নরগনি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা তাম এফ সী সেক্তা অমদি ৱর্ল্ড প্রো এফ সী অনীনা নুংথিল পুং ১২.৩০দা অদুগা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এল ৱাই এস এস য়ু চজিং অমদি শামুরৌ য়ুনাইটেদ অনীনা নুংথিল পুং ২.৩০দা লম্বা তৌনরগনি।

# বোদি বিল্ডিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৩০(ঐচএনএস):

মধ্য প্রদেশকী রাটলমদা মার্চ ৪দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা মেন্স জুনিয়র/মাষ্টরস/দিবিয়াং/সিনিয়র ৱিমেন্স বোদি বিল্ডিং অমদি মরিশুবা জুনিয়র ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেল ফিজিক/ লেদিজ ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেল ফিজিক নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২৩দা মণিপুর ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌনবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসননা শীন্দুনা ফেব্রুৱারী ৫গী নুংথিল পুং ২দা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুমলেম্বম সুনন্তনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনদা রেজিষ্টর তৌবা শান্নরোয়শিংনা মশাগী আধার কার্দকা লোয়ননা লাক্তুনা শরুক য়াবা য়ারগনি হায়রি।

### মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ

# এমদাস্কাম জুনিয়র নুপাগী মেটচ অহুম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী৩০(ঐচএনএস):

মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ভিলেজ ইদিফাই টেন্যুর ওর্গনাইজেসন (ভেটো) হিয়াংখোংনা শীন্দুনা খাকাংজৈবুং হিয়াংখোংদা চথরিবা ৪৯শুবা জুনিয়র অমদি ৩৩শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপকী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা এমদাস্কামনা জুনিয়র নুপামচাগী কাঙলূপকী মেটচ অহুম মায় পাকখ্রে।

এমদাস্কামনা অহানবা মেটচতা ভেটোবু পোইন্ট ৩৩-৩২দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেটচতা এমদাস্কামনা দল্লিয়ু এস দল্লিয়ু সীবু পোইন্ট ১৩দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অসিদা এমদাস্কামনা পোইন্ট ৪৮ অদুগা দল্লিয়ু এস দল্লিয়ু সীনা পোইন্ট ৩৫ লৌখি। অহুমশুবা মেটচতা এমদাস্কামনা এম য়ু সীবু লাকচনা পোইন্ট ৪৯দা মায়থীবা পীখি। এমদাস্কামনা পোইন্ট ৫৮ অমদি এম য়ু সীনা পোইন্ট ৯ লৌবা ঙমখি।



জুনিয়র নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা এল ৱাই য়ু সীনা দল্লিয়ু এস দল্লিয়ু সীবু পোইন্ট ৪৭-৩০দা অমদি ভেটোবু পোইন্ট ৪০-২৬তা মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ভেটোনা এম য়ু সীবু পোইন্ট ৩৯-১৩দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, জুনিয়র নুপীমচাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ভেটোনা এমদাস্কামবু পোইন্ট ১১দা মায়থীবা পীখ্রে। এমদাস্কামনা পোইন্ট ২৬ অদুগা ভেটোনা পোইন্ট ৩৭ ফংবা ঙমখিবনি।

সব-জুনিয়র নুপীমচাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা ভেটোনা এম য়ু সীবু পোইন্ট ৪৯-২৫ অদুগা এমদাস্কামনা এম য়ু সীবু পোইন্ট ৩৪-৮দা মায়থীবা পীখি।

সব-জুনিয়র নুপাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা ভেটোনা সী সী ৱাই পি এ সীবু ৩৭-৩০ অমদি দল্লিয়ু এস দল্লিয়ু সীবু ৫৫-২৫দা মায়থীবা পীখি।

# এদভেঞ্চর কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৩০(ঐচএনএস):

মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ৮৯শুবা এদভেঞ্চর কোর্স ফেব্রুৱারী ২৬তগী মার্চ ১২ ফাওবা লমদানদা লৈবা মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং ইন্সটিট্যুটকী ইকো টুরিজম কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

কোর্স অসিদা সিজন অনী থোক্লা খায়দোক্কনি। অহানবদা নুমিৎ ১০নিগী ওইবা সিজন ট্রেনিং ফেব্রুৱারী ২৬তগী মার্চ ৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ট্রেনিং মনুংদা ট্রেনীশিংদা খূৎশু-খূৎলায়শিং তাকপা, থৌরী পুনবা, রোপ ক্লাইম্বিং এন্দ রিপেল্লিং, ওবষ্টেকলস, জঙ্গল সর্ভাইভেল, ৱাটরমেনশিপ, মেপ রিদিং, ফর্ষ্ট এইদ, ট্রেক্কিং এন্দ মাউন্টেনগী চৎন-কাঙলোনশিং তাকপী-তম্বীগনি।

অনীশুবদা মার্চ ৮দগী ১২ ফাওবা ম্যান্মারগা তায়নবদা লৈবা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা পুৱারী ওইরবা মাউন্ট অংকো এক্সপিদিসন পাঙথোক্কনি। এক্সপিদিসন অসি সনাহল লোকচাও রিভর ফাওদুনা চৎকনি। নুমিৎ ৫নিগী ওইবা এক্সপিদিসন অসিদা অংকো চীংগী মতোল য়ৌনবা হোৎনগনি।

এদভেঞ্চর কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবা চহী ১৫দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা অমদি নুপীনা মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এগী য়াইফ শঙলেনগী ওফিসতগী লুপা ১০০ পীরগা ফোর্ম লৌরবা য়ারগনি অমদি কোর্স ফীনা লুপা লিশিং ৫০০০ ওইগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না ফেব্রুৱারী ২০ ফাওবনি। অদুগা অহানবা লাকপদা খূদোংচাবা পীগনি হায়রি।

# ষ্টেটকী কোচ মরি লেভেল-১ কোচেচ কোর্স পাস তৌরে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৩০(ঐচএনএস):

এন সী এ বেঙ্গলোরনা কন্দক্ট তৌদুনা মমাং চহীগী ওগষ্ট ৮দগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা লেভেল-১ কোচেচ কোর্স অমদি নভেম্বর ২৫দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ওনসাইদ এসেসমেন্টগী রিজল্ট হায়দোকপদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী কোচ ৪ য়াওরক্লে।

কোচ ৪ অদুদি পেবম রাজেশ্বর, এলাংবম রাশিকুমার, দেবকান্ত য়ুম্নাম অমদি সরাংথেম বিরজিৎনি।

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী জি এম তোম্মী থিংঙোমনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ষ্টেট অসিগী কোচ ৪না লেভেল-১ কোর্স মায় পাক্লগা মতুং হৌজিক ফাওবদা কোর্স অসি পাস তৌবা পূন্না কোচ ২৭ শুখ্রে।

হান্ননা পাস তৌদুনা লৈরবা কোচশিং অদুদি- নামোইজম লোকেশ্বর, সমুরাইলাৎপম রঞ্জিৎ, সিংঙাম প্রিয়োব্রতা, ৱাইখোম গঙ্গা, নাওরেম রোবেন, ফেরোইজম রোহিন্দ্রো, সয়েদ মুজিবুর রাহমন, হাওবম সুনিল, চাওবা মৈকম, রজিব সরুংবম, মোইরাংথেম থোইথোই, ইরেংবম ইবোবী, গোতিময়ুম গোজেন্দ্রো, কোন্থৌজম বোবিন, রাজকুমার জোটিস, অকোইজম টেনিসন, শৌগাইজম রোবিন্দ্রো, সয়েদ সুল্টান অহমদ, অরিবম অশিনিকুমার, তোইজম বিকেনসন, সয়েদ অলি, জোইতা ফুরাইলাৎপম অমদি কোঞ্জেংবম শশিকান্তনি।

### কে সী মালিক ইনভাইটেসন ফুটবোল হৌদোকখ্রে

# য়ু পি সী উচাথোল অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে



জিরিবাম,জান্যুৱারী ৩০(ঐচএনএস):

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা ২৯শুবা কে সী মালিক ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা জিরিবামগী জেদ ঈ ও থৌদাম অমুরাশি চনুনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা য়ু পি সী উচাথোলনা এল ঐচ ৱাই সীবু লাকচনা ১১-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু পি সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রেমকুংনা ৫, মাংনা শান্নবগী ৩১ অমদি ৬০ অদুগা জেমসনা শান্নবগী ৭১ অমদি ৭৯দা ২/২, বাবু অমদি শাংপুনা শান্নবগী ২০ অমদি ৪০দা অমমম্ চনখি।

রেমকুংগী গোল ৫ অদুনা শান্নবগী ১৩, ১৭, ৩৫, ৪৫ অমদি ৭৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

এল ঐচ ৱাই সীগী গোল ২ অদুনা লালথোইখুম অমদি অলেক্স ভাইফৈনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭০ অমদি ৮০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অসামগী কছারদগী টিম ১ য়াওনা পূন্না টিম ১৯না শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসি জিরিবামগী কলিনগরদা লৈবা প্রিতি রানী মালিকনা মহাক্কী মপাবুংগী মিংদা কৎচবা টুর্নামেন্টনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সনরাইজ ক্লব অমদি য়ুং সিনলুং ক্লব অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

### য়াইস্কুল দে এন্দ নাইট ফুটবোল

# বি এস সীনা এ বি সী থোইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৩০(ঐচএনএস):

ব্রহ্মপুর সোসল ক্লব (বি এস সী)না শীন্দুনা ব্রহ্মপুর লালজি লাকপা লৈকাইদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইবা অহানবা লাইময়ুম তোম্বী মেমোরিএল ৪-এসাইদ ওপন দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা বি এস সীনা এ বি সীবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

বি এস সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নিশাননা ২ অদুগা রোবর্টসন অমদি বেবননা অমমম্ চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা এ বি সীগী ফোনিবু রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। রেফরিনা মখা তানা মায় পাকখিবা বি এস সীগী গোল অনী চনখিবা নিশানসু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

# ইন্টর ক্লবকী মেটচ মখা চথরগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৩০(ঐচএনএস):

অম্ফানা শীন্দুনা চথরিবা দিলবুং কামচোর মেমোরিএল অহানবা য়ু-১৪ বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ ফেব্রুৱারী ৬তগী লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা মখা চথরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ২১না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি। ফেব্রুৱারী ৬তা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ অহুমগী মেটচ অহুম শান্নরগনি।

### ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি

# দি এম এফ সীনা ৱাংজিং য়ুনাইটেদ থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী৩০(ঐচএনএস):

ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইরেংবন্দ হায় স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি ৯-এসাইদ ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা দি এম এফ সী মোরেনা ৱাংজিং য়ুনাইটেদপু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

দি এম এফ সীগী মোনিশনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। বোবিজনা শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা মেরুননা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা মোরে টিমগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা ২-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবদা নোংপোকঙানবনা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা দি এম এফ সীগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা ৱাংজিং য়ুনাইটেদপু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেলদা এম ৱাই দি এ মাইরেনখুন অমদি হৈরোক য়ুনাইটেদ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২দা লম্বা তৌনরগনি।

# ব্রাইটনগী অথেংবা গোলনা লিভরপুল এফ এ কপতগী মপান থোকখ্রে

ব্রাইটন,জান্যুৱারী ৩০(এজেন্সী):

কাওরু মিটোমানা অথেংবদা চনখিবা গোলগী মতেংনা ব্রাইটন এন্দ হোভ অলভিওননা লিভরপুলবু ২-১দা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফালমর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এফ এ কপকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকহনখ্রে।

ব্রাইটনগী মায় পাকপা অসিনা হৌখিবা চয়োল ২গী মনুংদা লিভরপুলবু মায়থীবা পীবা অনীরকশুবা ওইরি। প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা ব্রাইটননা লিভরপুলবু ৩-০দা মায়থীবা পীখিবনি।


ফালমর ষ্টেদিয়মদা ব্রাইটন অমদি লিভরপুল অনীনা শান্নখিবা মেটচতা লিভরপুলগী হার্ভি এলিওটনা শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। লেৱিস দঙ্কনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।



অনীশুবা হাফকী শান্নবদা টিম অনীনা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লাকখিবা অদু মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা কাওরু মিটোমানা ব্রাইটনগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনখি।

লিভরপুলগী মায়কৈদগীসু গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা জেমস মিলনরনা পীরকখিবা পাস অমা মোহমদ সালানা নীংথিনা ফারবা মতুং কাওশিল্লকখিবা বোল ব্রাইটনগী গোলকিপর জেসন ষ্টিলিনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 702

**Lev Solomonovich Aronin - Genrikh Chepukaitis**

**AZE-ch Azerbaijan, 1956**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nd2 Nf6 | 4.e5 Nfd7 |
| 5.Bd3 c5 | 6.c3 b6 | 7.Qa4 a5 | 8.Ne2 Ba6 |
| 9.Bxa6 Nxa6 | 10.O-O Nc7 | 11.dxc5 b5 | 12.Qf4 Bxc5 |
| 13.Qg3 O-O | 14.Nb3 Bb6 | 15.Bh6 Ne8 | 16.Nbd4 Qb8 |
| 17.Bg5 Kh8 | 18.Be7 Rg8 | 19.f4 Qc7 | 20.Qh4 Ra7 |
| 21.Rf3 Nxe5 | 22.Rh3 h6 | 23.Bg5 Ng6 | 24.Qh5 f6 |
| 25.Qxg6 fxg5 | 26.Kh1 Qf7 | 27.Qxg5 Nf6 | 28.Rf1 b4 |
| 29.Nc6 Nh7 | 30.Qe5 Bc7 | 31.Qe3 Ra6 | 32.Ne5 Bxe5 |
| 33.Qxe5 Qf6 | 34.Re3 Rc8 | 35.g3 Qxe5 | 36.Rxe5 Nf6 |
| 37.Nd4 bxc3 | 38.bxc3 Rxc3 | 39.Rb1 Nd7 | 40.Re2 Nc5 |
| 41.Rb8+ Kh7 | 42.f5 exf5 | 43.Re7 f4 | 44.Nf5 Rg6 |
| 45.Ree8 Re6 | 46.Ne7 g5 | 47.Rh8+ Kg7 | 48.Rbg8+ Kf7 |
| 49.Rh7+ Kf6 | 50.Nxd5+ Kf5 | 51.Rf7+ Kg4 | 52. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 701 Ans. :**
23. Ng5 Mating net Opening the line from e1 to e8. Bxg5 24. Rxe8 Bxh6 25. Nxh6# Dragonfly mate 1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com